[illegible]
HUEIYEN LANPAO

আই এন দি আই এ না লৈঙাক পায়রবদি সি সি এ লৌথোক্কনি ঃ শাশি থারুর

থিরুভনন্তপুরম, মার্চ ১২ (এজেন্সি) : য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঙরাং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি সি এ) মপুং ফানা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসিদা কোংগ্রেসকী এম পি শাশি থারুরনা লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা ইন্দিয়ান নেসনেল দিভলপমেন্ট ইনক্লুসিভ এলাইন্সনা লৈঙাক পায়রক্লবদি সি সি এ লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফমসি সি সি এ চৎনহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লাউথোকখিবগী মায়োক্তা ওপোজিসন ওইরিবা আই এন দি আই এ এলাইন্সনা সুপ্রিম কোর্টতা ৰাকৎনবা থৌরাংলিবা অসিগী মতাংদা ৰা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, সি সি এ হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা অরানবা খোঙথাং অমনি। পাকিস্টাননা ইনি দয়াদগী খাইদোকখিবা মতমদুদা মখোয়গী লৈবাক অসি লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমখিবনি। অদুবু মহত্মা গান্ধী, জৱাহরলাল নেহরু অমসুং ডা. অম্বেদকরগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা লৈবাক অসিদি কৈদৌনুংদা লাইনিং লাইশোনদা মীচং মীখায় নাইদনা লাক্লি। ঐখোয়না লান শোক্লদুনা বৃটিশকী মখুৎতগী মুল্লকখিবা নীংতম্বা অসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা, সেন্টর লৈঙাক্না চৎনহল্লক্লিবা সি এ এ অসি লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা মীয়ামদা মীৎ থকহন্দুনা অরানবা লন্দ্বীদা লমজিংনবা হোৎনবনি। ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগনা এক্ট অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৰাকৎনবা থৌরাং তৌরিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি। অদুগা সি এ এ অসি লৈবাক অসিদা চৎনহন্দবা হায়বসি কোংগ্রেসকী ইলেক্সন মেনিফেস্টোদা হাপচিল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা দেল্লি হজ কন্মিটিগী চিয়রমেন কৌসার জহাননদি সেন্টর লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি সিটিজেনশিপ পীনবনি, লৌথোক্লবা নত্তে হায়রদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মুস্লিম নত্তবা ফুরুপকী মীওইশিং ইন্দিয়াগী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা ওৎপি-নৈবীবদগী কন্ননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা অকায়বা করিসু পীরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সি এ এ মপুং ফানা চৎনহনখিবা অসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মীয়াম্না খোঙজং চংশিল্লকপা য়াই হায়না ষ্টেট কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। সি এ এ না সিটিজেনশিপ পীরিবা অসিদা মুস্লিম ফুরুপকী ওইনদি সিটিজেনশিপ পীবগী ৰাফম য়াওদে।

ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী য়াম্না খুৎশু-খুৎলাই লৈশিনবা লৈবাক ওইরে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১২ (এজেন্সী): ষ্টোকহোল্ম ইন্টরনেসনেল পিছ রিছার্স ইন্সটিট্যুট (এস আই পি আর আই) গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা মালেমগী খ্বাইদগী য়াম্না খুৎশু খুৎলাই লৈশিনবা লৈবাক ওইরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৯ দগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়ানা খুৎশু খুৎলাই ইম্পোর্ট তৌবগী চাং অসি চাদা ৪.৭ হেনগৎলকখি। মসি মোদি লৈঙাক্কী "মেক ইন ইন্দিয়া" হায়রিবা লৈবাক অসিগী মালেমগী পোত্থোক পুথোকপা অমসুং লৈবাক অসিদা পুথোকচবা পোৎলমশিং শিজিন্নবা হায়রিবা পান্দম অদুগী ওন্ন-তৈনবদনি।

এস আই পি আর আইগী রিপোর্ট অদুদা রসিয়ানা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্না খুৎশু খুৎলাই সপ্লাই তৌরিবা লৈবাকনি। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া অসি লেপ্পা লৈতনা চাওখৎ লন্দ্বীদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মীপাল তাংলি। ফ্রেন্সনা পুথোকপা খুৎশু খুৎলাইশিংসু ইন্দিয়ানা নম্না লৈবা লৈবাক ওইরি। ফ্রেন্সতগী ইন্দিয়ানা খুৎশু খুৎলাই লৈবা হৌরকপদগী লৈবাক অসিগী আর্মস এক্সপোর্ট অসি চাদা ৪৭ হেনগৎলকখিবনা মালেমগী অনীশুবা আর্মস এক্সপোর্টর ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ান নেভিগী এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র আই এন এস ভিক্রান্টকীদমক ফ্রেন্সতগী রাফেল মেরিন জেট ২৬ লৈনবা লৈবাক অসিনা থৌরাং তৌরি।

য়ুমথংনরিবা লৈবাক পাকিস্টানসু খুৎশু খুৎলাই লৈবগী চাং অসি কুমজা ২০১৯ দগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা চাদা ৫৩ হেনগৎলকখিবনি হায়রি।

ফাইটর জেট কায়খ্রে, পাইলোট হিংহৌরে

জয়পুর, মার্চ ১২ (এজেন্সী): রাজস্থানগী জাইসালমরদা ওপরেসনেল ট্রেনিং ওইনা পাইরকখিবা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী তেজাস এয়রক্রাফ্ট অমা মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেল মনাক্তা তাশিন্দুনা কায়খ্রে। ফাইটর জেট অসিগী পাইলোটতি মতম চানা ইজেক্ট তৌহৌবনা অশোক অপন অমত্তা য়াওহৌদ্রে।

ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী তেজাস ফাইটর এয়রক্রাফ্ট অসি কুমজা ২০০১ দগী লৈরকখ্রবসু ঙসি থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিনা তেজাস এয়রক্রাফ্টশিং অসিগী অহানবা এক্সিদেন্টনি হায়রি। তেজাস ফাইটর এয়রক্রাফ্ট অসি য়াম্না য়াংবা ইলুম লুমদবা ফাইটর এয়রক্রাফ্ট মখল অমনি।

ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা তেজাস ফাইটর এয়রক্রাফ্ট অসি কুমজা ২০১৬ দা মখোয়না শিজিন্ননবা ইন্দক্ট তৌখিবনি।

ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদু নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা জায়সালমরগী লক্ষ্মীচান্দ সনৱাল কোলোনি মনাক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেল মনাক্তা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থীজিন্নবগীদমক ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা প্রোব অমা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি। হকথেংননা উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না খঙহৌদনা প্লেন অসি য়ুংনা পায়শিল্লক্তুনা মৈ চাল্লকখি। মখোয়না চৈনশিন্দুনা য়েংনরুবদা প্লেন অসিগী পাইলোটতি মাংজৌননা ইজেক্ট তৌহৌবনা পেরাচুৎকী মতেংনা পায়দুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি

ইন্দিয়ান এয়রফোর্সতা হৌজিক হৌজিক তেজাস এম কে-ৱান মশিং ৪০ অমদি তেজাস এম কে-ৱান এ মশিং ৮৩ লৈরি। ইন্দিয়ান নেভিনসু তেজাসকা মান্নবা ত্বিনসিটর ফাইটর এয়রক্রাফ্ট শিজিন্নরি।

স্বিদেনগী পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা চংশিনখিবা গ্রেতা থনবর্গকী খোঙজং পুলিসনা থুগায়খ্রে

ষ্টোকহোল্ম, মার্চ ১২ (এজেন্সি) : ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা চহী নৌরিবী ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট গ্রেতা থনবর্গনা মখল কয়াগী খোঙজং চংশিন্দুনা লাক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংদগী হৌনা মশা য়াওনা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট কয়ানা স্বিদেনগী পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা ফমজিন্দুনা খোঙজং চংশিল্লকখিবা অদু স্বিদেন পুলিসনা থুগায়খ্রে।

ক্লাইমেট এক্টিভিষ্টশিং অসিনা খোঙজং চংশিল্লিঙৈ স্বিদেন পুলিস পার্সোনেল অনীনা থনবর্গপু মশা শাগল পায়দুনা চিংথোকখি। পুলিসশিং অদুনা থনবর্গপু মিটর ২০ হেন্না চিংথোক্তুনা পুথ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্টশিং অদুবুসু তানখায়খি।

ঙরাংদগী হৌনা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্টশিং অসিনা পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি ক্লাইমেট চেঞ্জনা পুরক্লিবা অহোংবা কয়ানা মহৌশাগী খলদা অকায়বা কয়া পীরক্লবসু লুচিংবশিংনা থৌশাদবদগী পোলিটিকেল এক্সন অমত্তা লৌখৎলক্তবগী মায়োক্তা চত্থরকখিবনি।

চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবী থনবর্গনা কুমজা ২০১৮ দা স্বিদেনগী পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা মহাক্কী অহানবা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অসিনা লিচিং ওইদুনা ঙসি ফাওবা মালেমগী মফম কয়াদা নহাশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুগা গ্রেতা থনবর্গনা নহাশিংগী খোঙজং অসিগী লুচিংবা মীওই অমা ওইরকখিবনি।

হৌখিবা চহীদসু থনবর্গনা স্বিদেন, নোর্ৱে অমসুং জর্মনিনচিংবা লৈবাক কয়াদা খোঙজং চংশিল্লুবদা পুলিসনা ফাবগী থৌদোক কয়া থোকখি। লণ্ডনদা চংশিনখিবা খোঙজং অমগা মরী লৈননা থনবর্গপু পুলিসনা ফাখিবা অদু ফাফম থোক্তে হায়না বৃটিশ কোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

'নেটনয়াহু অসি পি এম ওইবদা মতিক চারিব্রা'

ৱাশিংটন দি সি, মার্চ ১২ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইন্টলিজেন্স কম্ম্যুনিটি অমগী রিপোর্টতা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অসি লৈবাক অসিগী লুচিংবা ওইবদা মতিক চারিব্রা হায়বগী ৱাফম অমা পুথোরকখ্রে।

ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অসি য়ু এস কোংগ্রেস মমাংদা কম্ম্যুনিটি অসিনা চহী খুদিংগী পুথোকপা রিপোর্ট অমনি। হন্দক চহীগী ওইনা পুথোরকখিবা রিপোর্ট অদুদা নেটনয়াহুনা ইজরেল অমসুং হামাসকী লান অসিদা গাজাগী মথক্তা চত্থরিবা থৌওংশিং অসি চুল্লিব্রা হায়নসু ৱাহং তৌদুনা হৌজিক হৌজিক ইজরেলদা নেটনয়াহু ফম থাদোকঊ অমসুং ইলেক্সন তৌদুনা অনৌবা পি এম খল্লু হায়না মীয়াম্না হৌরক্লিবা ইরাং অসিগী মরমদা খন্ন-নৈননবা রিকমেন্দসু তৌরকখি।

ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অদুনা ওক্টোবর ৭ দা হামাসতা ইজরেলদা এটেক তৌদুনা মীওই কয়া হাৎখিবগী থৌওং অদু নেটনয়াহুগী লৈঙাক্না মাংজৌননা উবা ঙমহৌদবদগী থোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

গাজাদা ওইরিবা ফিভম অসিনা য়ু এস অমসুং ইজরেলগী লুচিংবশিংগী মরক্তা য়ানদবা ৱাখল্লোনশিং থোরক্লি।

[illegible]

[illegible]

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI

Ref :- Mutation Case No. 06/SDC/KBI Dt. 08/03/2024

1. Soibam Ibemhal Leima, W/o S. Mohon Singh of Ithai Wapokpi Mamang Leikai (0.625 acre) and
2. Yurenjam Jamini Devi, S/o Y. Maniyaima Singh of Thangalawai Maning Leikai (0.625 acre)

... Petitioners

- Vrs -

1. Naorem Kulla Singh, S/o (L) N. Chura Singh of Ithai Khunjao

... O.P. Pattadar

[illegible] / NOTICE

Kumbi, the 12th March, 2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি SDC-Kumbi Circle গী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬৩-ইথাইগী পাট্টা নং ১৬২/১২০ অনৌবা, দাগ নং ২৯৫ গী অপুনবা এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার নাওরেম কুল্লা সিংহ পীং মৃ: চুরা সিংহ সাং ইথাই খুঞ্জাওদা লৈবা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মথক্কী অপোকপা মচানুপি অনী হায়বদি ১) সোইবম ইবেমহল লৈমা পতি মোহোন সিংহ সাং ইথাই ৱাপোকপি মমাং লৈকায় অমসুং ২) য়ুরেনজম জামিনি দেবী পতি মনিয়াইমা সিংহ সাং থাঙ্গলাৱাই মনিং লৈকায়দা লৈবা মখোয় অনীগী মীংদা পাট্টা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC-Kumbi গী Court তা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী নুপি অমদি অপোকপা মচানুপা অমদি নুপীশিং মথংশিংনা ১) নাওরেম পাদমা দেবী, ২) নাওরেম জুল্লোন সিংহ, ৩) নাওরেম মোহোরি সিংহ, ৪) সোরোকখাইবম ওংবী মোমোন দেবী, ৫) ওইনাম ওংবী মনিতোম্বী দেবী অমসুং ৬) নিংথৌজম ওংবী সুবদনি দেবী পুম্নমক্না পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মশা ওইনা লাক্তুনা Objection তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্কী নুমিৎ ৭ নি অসিগী মনুংদা Objection তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুং ইন্না Case মখা চত্থদুনা মীং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
BC to SDC
Kumbi, Manipur

HL-P/9954/13 March

[illegible]

NOTICE INVITING e-TENDER

The Executive Engineer-II, Planning & Development Authority, Manipur (PDA) on behalf of the Chairman, PDA, Manipur invites online item rate 'e" tender from the registered Composite Special Class Contractors of PDA who have executed at least 1 (one) work of the value of not less than Rs. 500.00 lakh during the last 5 (five) years in PDA, Manipur or are executing the same value now in the PDA for the works mentioned:

1. NIT No.: **EE-II/PDA/NIT/2023-24/1** dated 1103-2024

Name of work: **Construction of Alternate Housing at National Games Village, Imphal, Manipur (Additional Works).**

Estimated cost: **Rs. 3,86,39,843.70/-** (i/c 1% Cess & 18% GST)

Earnest Money: **Rs. 7,72,800/-**

Cost of Form & processing fee: **Rs.5000/-** (non-refundable)

Period of Completion: 06 (six) **months**

Online bid starts: **14.03.2024 at 1200 Hrs.**

Last date & Time of bid submission: **21.03.2024 at 1200 Hrs.**

Bid opening: **21.03.2024 at 1300 Hrs.**

The tender forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

Executive Engineer-II,
Planning & Development Authority,
Manipur

HL-B/8636/ 13 March

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DY. COMMISSIONER/COMPETENT AUTHORITY FOR LAND ACQUISITION UKHRUL DISTRICT, MANIPUR.

[illegible]/NOTIFICATION

Ukhrul, the 12th March, 2024

No.10/193/2022-REV(UKL)/0693 : It is hereby notified for information of all persons interested in the land that the Central Government. Ministry of Road Transport and Highways, in exercise of power conferred by sub-section (1) of section 3D of the National Highways Act 1956 the land within the stretch of road from Km 53.110 to Km 95.700 has declared vide Gazette Notification given hereunder that the land in the Schedule should be acquired for the purpose of building, widening two lane, maintenance, management and operation of NH-202.

Notification S.O.1181(E) dtd.08.03.2024 Gazette No. 1119 dtd.08.03.2024(22.9469Ha)

In pursuance of sub-section (2) of section 3D of the said Act, the Central Government thereby declared that on publication of the notification in the Official Gazette, the land specified in the said schedule shall vest absolutely in the Central Government, free from all encumbrances.

Gazette notification and brief description of the land to be acquired is given at SCHEDULE enclosed and appended herewith.

Sd/-
Kengoo Zuringla IAS
Deputy Commissioner/Competent Authority for
Land Acquisition (CALA), Ukhrul

REGD. No. D. L.-33004/99

The Gazette of India

CG-DL-E-11032024-252827
EXTRAORDINARY
PART II-Section 3 - Sub-section (ii)
PUBLISHED BY AUTHORITY

No. 1119] NEW DELHI, FRIDAY, MARCH 8, 2024/PHALGUNA 18, 1945

MINISTRY OF ROAD TRANSPORT AND HIGHWAYS
NOTIFICATION

New Delhi, the 8th March, 2024

S.O. 1181(E).—Whereas by the notification of the Government of India in the Ministry of Road Transport and Highways, **S.O.1350 (E) Dated:21/03/2023**, published in the Gazette of India, Extraordinary, Part II, Section 3, Sub-section (ii) issued under sub-section (1) of section 3A of the National Highway Act, 1956 (48 of 1956) (hereinafter referred to as the said Act), the Central Government declared its intension to acquire the land specified in the Schedule annexed to the said notification for building (widening/four-laning, etc.), maintenance, management and operation of NH202 in the stretch of land from Km. 53.110 to Km. 95.700 (Deputy Commissioner Office, Ukhrul) in the district of UKHRUL in the state of MANIPUR

And whereas the substance of the said notification has been published in "Sangai Express" and "Hueiyen Lanpao" both dated 29.02.2024; under sub-section (3) of section 3A of the said Act;

And whereas the Competent Authority has received objections filed under Section 3-C, considered and settled the same appropriately;

And whereas, in pursuance of sub-section (1) of section 3D of the said Act, the competent authority has submitted its report to the Central Government;

Now, therefore, upon receipt of the said report of the competent authority and in exercise of the powers conferred by the sub-section (1) of section 3D of the said Act, the Central Government hereby declares that the land specified in the said Schedule should be acquired for the aforesaid purpose;

And further, in pursuance of sub-section (2) of section 3D of the said Act, the Central Government hereby declares that on publication of this notification in the Official Gazette, the land specified in the said Schedule shall vest absolutely in the Central Government, free from all encumbrances.

SCHEDULE

Brief description of the land to be acquired, with or without structure, falling within the NH202 in the stretch of land from Km. 53.110 to Km. 95.700 (Deputy Commissioner Office, Ukhrul) in the district of UKHRUL in the state of MANIPUR

State: MANIPUR			District: UKHRUL		
Sl. No.	**Survey/Plot Number**	**Type of Land**	**Nature of Land**	**Area(in Hectares)**	**Name of Land Owner/Interested Person**
1	2	3	4	5	6
Taluk: Ukhrul					
Village: Lunghar					
1	L G R - R -19	Private (BARREN)	DRY	0.041912	LW SHIMREINGAM L G R - R - 19
2	L G R - R -20	Private (BARREN)	DRY	0.009075	CALA L G R - R -20
3	L G R - R -21	Private (BARREN)	DRY	0.003974	CALA L G R - R -21
4	L G R L 3	Private (BARREN)	DRY	0.752018	HS. MASHIVAML G R L 3
5	L G R R / L K G R4	Private (CULTIVATION(HILL))	DRY	1.75	CALA L G R R / L K G R 4
6	L G R R 1	Private (CULTIVATION(HILL))	DRY	8.283911	HS. MASHIVAML G R R 1
7	L G R R 2	Private (CULTIVATION(HILL))	DRY	4.871063	VICTOR ASAIWOL G R R 2
8	L G R R 3	Private (CULTIVATION(HILL))	DRY	3.51232	LW SHIMREINGAM L G R R 3
9	L G R - L - 1	Private (BARREN)	DRY	0.043305	HS. MASHIVAML G R - L - 1
10	L G R - L - 2	Private (BARREN)	DRY	0.078302	HS. MASHIVAML G R - L - 2
11	L G R - L - 3	Private (BARREN)	DRY	0.023893	HS. MASHIVAML G R - L - 3
12	L G R - L - 4	Private (BARREN)	DRY	0.026005	HS. MASHIVAML G R - L - 4
13	L G R - L - 5	Private (BARREN)	DRY	0.016713	HS. MASHIVAML G R - L - 5
14	L G R - L - 6	Private (BARREN)	DRY	1.016509	HS. MASHIVAML G R - L - 6
15	L G R - L - 7	Private (BARREN)	DRY	0.017185	HS. MASHIVAML G R - L - 7
16	L G R -R- 1	Private (BARREN)	DRY	0.07371	HS. MASHIVAML G R -R- 1
17	L G R -R- 10	Private (BARREN)	DRY	0.002068	HS. MASHIVAML G R -R- 10
18	L G R -R- 11	Private (BARREN)	DRY	0.006426	HS. MASHIVAML G R -R- 11
19	L G R -R- 12	Private (BARREN)	DRY	0.143972	VICTOR ASAIWOL G R -R- 12
20	L G R -R- 13	Private (BARREN)	DRY	0.009866	VICTOR ASAIWOL G R -R- 13
21	L G R -R- 14	Private (BARREN)	DRY	0.016591	VICTOR ASAIWOL G R -R- 14
22	L G R -R- 15	Private (BARREN)	DRY	0.035984	VICTOR ASAIWOL G R -R- 15
23	L G R -R- 16	Private (BARREN)	DRY	0.021814	VICTOR ASAIWOL G R -R- 16
24	L G R -R- 17	Private (BARREN)	DRY	0.004936	VICTOR ASAIWOL G R -R- 17
25	L G R -R- 18	Private (BARREN)	DRY	1.250713	LW SHIMREINGAM L G R -R- 18
26	L G R -R- 2	Private (BARREN)	DRY	0.074646	HS. MASHIVAML G R -R- 2
27	L G R -R- 3	Private (BARREN)	DRY	0.113598	HS. MASHIVAML G R -R- 3
28	L G R -R- 4	Private (BARREN)	DRY	0.049679	HS. MASHIVAML G R -R- 4
29	L G R -R- 5	Private (BARREN)	DRY	0.035441	HS. MASHIVAML G R -R- 5
30	L G R -R- 6	Private (BARREN)	DRY	0.065954	HS. MASHIVAML G R -R- 6
31	L G R -R- 7	Private (BARREN)	DRY	0.060445	HS. MASHIVAML G R -R- 7
32	L G R -R- 8	Private (BARREN)	DRY	0.021337	HS. MASHIVAML G R -R- 8
33	L G R -R- 9	Private (BARREN)	DRY	0.046845	HS. MASHIVAML G R -R- 9
34	L G R L 1	Private (BARREN)	DRY	0.157475	HS. MASHIVAML G R L 1
35	L G R L 2	Private (RESIDENTIAL)	DRY	0.309215	HS. MASHIVAML G R L 2
			Total	22.9469	

[F. No. NHIDCL/BO-IMPHAL/Y-U-J/DPR/2016-17/3D]
ABHAY JAIN, Dy. Secy.

HL-B/8638/13 March

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

No. MU/9-1/1/21(C) Date : 12-03-2024

[illegible]/ NOTIFICATION

In continuation of this o.o. dated 16-01-2024, the programme for the BA/BSc (Zoology) 3rd Semester Examination, 2023 (Nov.)(Old)/Back) which was scheduled earlier on 15-03-2024 is now rescheduled as under :

Date & Day	1:00 pm to 4:00 pm
20-03-2024 Wednesday	Zoology (303)

Sd/- **T. Shantikumar Singh**
Deputy Registrar (Examinations)

HL-B/8634/13 March

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SERICULTURE

[illegible]/ NOTIFICATION

Imphal, the 8th March, 2024

No. Seri-III-Est-9/2016: In partial modification of this office notification No. Seri-III-Est-9/2016 dated the 7th February, 2024 for Direct Recruitment of contractual staff, the age limit given in para 3 should be read as *"The candidate shall be not less than 18 years and more than 38 years as on 1st February, 2024 for the post of Co-operative Inspector, LDC/Office Assistant, Farm Overseer, Rearer, Peon/Chowkidar and shall not be less than 21 years and more than 38 years as on 1st February, 2024 for the post of Driver"*

in place of

"The candidate shall be not less than 21 years and more than 38 years as on 1st February, 2024" in para 3 of the Notification order for Direct Recruitment of even number dated 07/02/2024.

Further, in supersession of all previous Notification No. SERI-V-Ext. / Website/2012-13, dated the 17th February, 2024, the last date for online submission of forms is extended upto **31st March, 2024.**

Sd/-
(Bidyarani Ayekpam)
Director (Sericulture),
Manipur

HL-B/8623/12 & 13 March

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

[illegible]
NOTICE/খঙহঞ্জবা

Imphal, the 11th March, 2024

No. HL-203/H&T/20 : ইরমদমগী ফিশা-লোশাগী শিনফমদা লৈবিরিবী অমদি লৈবিরীবশিংগীদমক মরুওইবা থৌরাং খরা বিভাক্ অসিগী মাইকৈদগী খংহঞ্জরি, মদুদি ঃ -

অহানবদা ☞ অদোমগী ফিশাকোলশিং অদু মতমগী মতুংইন্না অকাই-অতোই অমদি ফিশাকোল অদুগী মপোং-মচৈ অৱাং-অপানা মরম ওইদুনা ফি শাবা য়াদ্রবা ফিশাকোলশিং নৌনা অমুক শেমজিন-শাজিন্দুনা নুংঙাইনা শাবা য়ানবা থৌরাং অথুবদা পাইখৎচরগনি।

অনিশুবদা ☞ ইরমদম অসিগী ফিশা-লোনশাগী শিনফমদা লৈবিরিবশিংনা হৌজিক-হৌজিমক্তা থেংনরিবা অমদি মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং হায়বদি মতম চংনা ৱানা শাবিরিবা মখল কয়াগী ফিরোলশিং অদুগী ফংলিবা খুৎশুমল অদুবু তশেংনা কান্নবা ফংলিব্রা অমদি ফংদবরা?

অহুমশুবদা ☞ ইরমদমগী ফিশাবিশিংনা ইয়োংগী পোৎথোক অসি য়োনফমগী অৱাবা লৈবিবরা?

মরিশুবদা ☞ ফিশাবীশিংনা হৌজিক্কী মতমসিদা করম্বা মখলগী ফিশিংবু শারগা হেন্না মীয়াম্না পাম্নবগী মথক্তা ফিশাবিশিংগী শেন্থোক হেন্না লৈহনগদগে?

মঙাশুবদা ☞ লোন করন্না শিংগনি অমদি অনৌবা লোন করন্না অমুক ফংগনি হায়বনচিংবগী মতাংদা। অশুন্না মথক্তা পনজত্রিবা ফিশাবীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা পুম্নমক অসিমক কোকহন্নবগীদমক মণিপুরগী জিল্লা (দিষ্ট্রিক্ট) খুদিংদা লৈরিবা হেন্দলুম অমদি তেক্সতাইলস (ফিশা লোনশা) গী ওফিসশিংদা লাকপিদুনা তান্নবীবা য়ারগনি।

খংহঞ্জরিবা
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/8641/13 March